# মণিপুরগী সিনিয়র প্লেয়রশিংগী মরক্তগী ঐনা খ্বাইদগী পামজরকপদি ইচে বেমবেমগা, ইচে তবাবীগা মখোয় অনীগী খূৎশান্নসিনি



যুম্নাম কমলা
*(ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর)*

(ঙরাংগী মখা)

মখা তারকপসিদা, ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন্না শিনবীরগা টেলেন্ট লৈবা চহী নৌরিবা প্লেয়রশিংসু মথং মথং থাবীরগদি অফবা মমিং লৈবশিং লেপ্তুনা থোরক্কনি থাজে। মসিদি খরবু থেংমল্লবনি। অদুবু অখন্নবা থৌরাং খরা নুপী ফুটবোলগীদমক তৌবীরকপসিমদি য়াম্না ফৈ হায়জনীংই। বালাগুম্বা প্লেয়র অমা থোরকপসিনা হৌজিক হৌজিক ফুটবোল মশান্নদা নৌনা খোঙদারক্লিবশিংদদি অনৌবা থৌনা অমা শোয়দনা পীবা ঙম্লগনি।

অদুগা, সিনিয়র ইচেশিংগী মনুংদা ঐনা খ্বাইদগী পামজবা, খোয়দাজবা প্লেয়রশিংদি ইচে বেমবেমগা, ইচে তবাবীগনি। ঐঙোন্দা ফুটবোল শান্ননীংবা ফাওহনবীখিবসিদি মরু ওইনা ইচে অনী অসিননি। ঐনা ফুটবোল শান্নবা হৌরক্ত্রিঙৈদা ইচে বেমবেমনা মিদ ফিল্ডর ওইনা, ইচে তবাবীনা ষ্ট্রাইকর ওইনা শান্নবগী রেদিও কম্মেন্টরিসি হান্ননা তাজরকখি। গোল চল্লমদাইগী মতাং য়ৌরকপদা, তবাবী... তবাবী ... বেমবেম ... বেমবেম হায়বা মীংসি হঞ্জিন-হঞ্জিন লাউবা তাবসিদা ঐঙোন্দসু ফুটবোল শান্ননীংবগী ৱাখল অমা ফাওহনখি। করিগুম্বা ঐনা ফুটবোল শান্নবা তারবদি ষ্ট্রাইকর ওইনা গোল চনবা প্লেয়র ওইগে হায়বসিসু খঞ্জরকখি। রেদিওদা ফুটবোলগী কম্মেন্টরি লাকপা তাবসিসু তোপ তোপ্পা মহাও অমনি। মদুনা ঐঙোন্দদি অকনবা ইথিল অমা পীবা ঙমখি।

ঐগী লাইবক ফবা অমনা, ইচে বেমবেম অমদি ইচে তবাবীগা চংলমদাইসিদা হায়রক্কনি, নখোয় পূম্নমক নশা-নশাগী ওইবা ফজ-ফজবা খূৎশান্না লৈজবা ঙাক্তনি। ফিল্ডদা নশাগী পোজিসন খঙনা ফজনা শান্নরকউ। শোয়রকপা মতমদা নথন্তা ইকাইজৌ। অচৌবা লানফম অমদা চঙলিবনি হায়বসি খক কাউগনু। মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থীবা অনীসিখক্তনি লৈরিবসি। করম্বগী ৱাখলদা শান্নগদগে হায়বদুদি নশাগী ওইনা খঞ্জরো। তশেংনা ফজবা ৱাহৈ হায়বসিসু পূক্নিংদা দং লাউনা অদুম পানবা ঙম্মী। হায়রক্লিবা ৱাহৈশিং অদু ঙাক্লা চেকশিন্না শান্নগে হায়বা ৱাখল অমা ইরায় লায়না ফাওহল্লি। ইচে বেমবেমদি মশামকসু শান্নরোয় ওইনা হৌরকপনিনা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা হায়রুরগা ওন্ন-তৈনবা লাক্কদ্রা

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

শান্নমিন্নবা ফংজহৌবসিনি। ইচে অনীসিগী পাসিং, খূৎশান্না পূম্নমক ঐদি লোইনা পামজৈ। সিনিয়রশিং অসিনা তাকপীবা য়াবা কয়াসু ফজনা তাকপীরকখি। ইচে বেমবেমনা পীবিবা কোচিংসিসু ঐদি য়াম্না নুংঙাই। মহাক্তি প্লেয়রদা থীনা ঙাঙবা, কন্না লাউবা, ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা চৈবা খোৎপসি খক তৌদে। শান্নরোয়শিং অসি ফজনা খঙননবা হোৎনৈ। ঙাঙবা তারবসু নোকমি-নোকমি তৌরগা ফিল্ড হায়বসি মশাদা খনবা মাল্লি।

শান্ন-খোৎনবগা লাইরিক্কা পূন্না চৎমিন্নহন্নবগী মতাংদসু ঐগী ওইবা ৱাফম খরা ফোঙদোকচগে, ঐখোয় মতমদদি শান্নবখক্তংনা মপূং ওইরগা চৎপা য়ারম্মী। অদুবু, হৌজিক্তি লাইরিক হায়বসি য়াওদবা শুকয়া য়াদ্রে। শান্নবদনা হেন্না পূক্নিং লুপখিদুনা ঐখোয়দি লাইরিক্কী নোলেজসি খরা ৱাৎনা লাকখি। মসিগী অৱাৎপসিনা ঙসিদি ঐখোয়সি পাংদবা মী হেক হেক ওইহল্লকই।



ঙসি শান্নমিন্নরিবা ঐখোয় বেজগী অয়াম্বা প্লেয়রশিং লাইরিক্তদি খরা অদুম শোল্লি। মসি নৌনা থোরক্কদবা শান্নরোয়শিংদদি থোকহন্নীংদে। শান্নবদা ফনা ফজরবসু লাইরিক হৈত্রবদি মীমাং থোকপা ঙম্লক্তে। মীগা থেংনগনি খনবদা কোয়চেন চেন্দুনা খাংবা হায়বদু তোইনা থোকই। অদুনা, ইমুং-মনুং মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংনা শান্নবা পাল্লবদি নিংথিনা গাইদ তৌদুনা পুথোকপীরকপা পামজে। ঐখোয়দি শান্নবদুতং পাল্লগা ইমুং-মনুংগী অয়াবা য়াওদনা শান্নরকপা ওইবনা লাইরিকসিনা নাকন্দা থৈদোক্তুনা থল্লকখি। মদুগী মাঙজবদু হৌজিক্তা খঙলকই। ঐবু পোকপা ববানদি ইতৎ তত্তনা হায়বীরকখিবনি, এগজামগদু ফজনা থাদোকউ। শান্নবা মতমদা শান্নরবসু নশাগী নোংমগী ওইনা পাগদবা লাইরিক-লাইশুদসু খরা খরদি পাশিল্লু। মদুনা তুংদা লাকচরক্কনিকো। পূম্নমক্তু শান্ননীংবগী ময়াইনা হেন্না কনখিবনা থওইনা তারকখিদে। এগজামগা নেসনল চেম্পিয়নশিপকা ফাংজিন্নরবদি পরিক্ষা থাদনা শান্নবা চৎলকখি। চহী মাঙখিবসু অদুম য়াওখি। অতৈ অতৈ ষ্টেটকীদি হান্না য়াম্না লিংনা শান্নরম্বশিং করিগুম্বা এগজাম লৈরবদি মখোয়গী ফজবা প্লেয়র য়াওদনা লাকখি। মীগীনা এগজামদনা হেন্না ইম্পোর্টেন্স পীখি। লোয়ননা শান্নবগা লাইরিক্কা অনীসি থোং মান্ননা চৎননবা হোৎনখি। ঐখোয়রোমদনা মদুগী ৱাখল্লোনদু খরা ৱাৎপগুম তৌখি। হৌজিকপুদি খরা খরা চেঞ্জ তৌরক্লে। ট্যুসন সেন্টরদা মমা-মপাশিংনা শংবা অদুগুম্না শান্নবুংদসু টিফিননচিংবা পুরক্লগা পেরেন্টসনা শংলগা লৈবা উরে। যূমদা থোরকপা মতমদা মমা-মপাশিংনা মচাশিং শান্নবদা থৱায় য়াওনা ইনকরেজ তৌবদু উবদা য়াম্নসু নুংঙাই। লাইরিক-লাইশুদসু থৱায় য়াওগদবনি, শান্নবা মতমদসু ফজনা শান্নগদবনি হায়বিরবদি, অফ-অফবা মালেমগী অফাওবা শান্নরোয়শিংগা চপ চানা লম্বা তৌনবা ঙম্বা প্লেয়র ঐখোয়গীসু লেপ্তুনা পুথোকপা ঙমগনি।

মথং-মথং...



# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১২

১) মহাক কুমজা ১৯৮৪ ফাওবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মসিনা মহাক্কী তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা ওলিম্পিকনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪গী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ১৯শুবা তাখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) অনীশুবা লাঞ্জাওদা ঐহাক চহী ১০ শুরে। লাঞ্জাও অদুদা ঐহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রে। মখোয়না লৈখিদবগী মরমদি চাবা ফংদবা অমদি ঈশিং-নুংশিৎ য়াম্না ঈংবননি। লাঞ্জাও লোইরবা চহী ১০গী মতুংদা ঐহাক্না ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা এথলেটিক্সতা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক কনানো?

৩) মহাক্না দিস্কস লংবা তম্বদা "The Blue Danube" হায়বা ঈশৈ অদু তাহল্লগা ঈশৈ অদুগী তানগা লোয়ননা দিস্কস লংবগী হকচাং অদু সর্কল মনুংদা রোটেট তৌবা হায়বদি হকচাং লৈবা তম্বীখি। মহাক দিস্কস চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?

৪) ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্কী মতাংদা মখাগী ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? "I hope to lead the olympics to success with all of you."

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১১গী পাউখুম

১) THE KHOMEINI OF ICE HOCKEY হায়রগা কনাবু খঙনৈ? **: HERB BROOKS**

২) ওলিম্পিক অমদা য়োচিং (য়োটচিং)গী লমজেলদা মেদল অমত্তা ফংহৌদবদগী হিরোইশিং অদুনা য়োটচ অদু মৈ থাদোকখি। য়োটচ অদুগী মমিং পীয়ু। **: GIFT 'ORSE**

৩) দি এম কোলেজ মণিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা কোলেজনি। কোলেজ অসি চহী খুদিংগী মশামক 'মিষ্টর দি এম কোলেজ খল্লি। মখাগীশিং অসিগী মনুংদা D.M. কোলেজ ওইখিবা অমগী মমিং পীয়ু।

মংলেম সিংহ, মায়পাক সিংহ, ব্রোজেন সিংহ, চাতুকিনি সিংহ **: BROJEN SINGH**

৪) নুপামচা, গম্বীর চান্দ, লাক্সানা, সানাবা, ইবেনুংশি, ইন্দুবালা পীরিবা মমিংশিং অসি শান্নবগী থৌরম অমদা মমিং চৎলি, অতোপ্পা অমদি মমিং চৎলবসু শান্নবগী থৌরমদি মান্নদে। মহাক্কী মমিং হায়ু। **: NUPAMACHA SINGH**

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? **: APARNA POPAT**

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১১১ গী পাউখুম চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | |
|---|---|
| ১) অনন্দকুমার খুঞ্জামযুম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং (১,২,৫) | (৩) |
| ***২) মাইস্নাম বুধা সিংহ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (১,২,৫)*** | ***(৩)*** |
| ৩) খাইদেম বিলিয়ান মৈতৈ, লমশাং বজার (১, ৫) | (২) |
| ৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (৪) | (১) |

(অচুম্বা পাউখুমগী ৱাহংগী নম্বর, ব্রেকেট মনুংদা পীজরি)

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -১১১ গী ৱিন্নর**

মাইস্নাম বুধা সিংহ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১১১গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ফেব্রুৱারী ০২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

# টিমিয়া বাবোস অমসুং কৃষ্টিনা লাদেনোবিসনা নুপীগী দবলসকী টাইটল ফংখ্রে

australian open

মোলবোর্ন, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোবিসনা ঙসি শান্নখিবা চহীসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপী দবলসকী ২শুবা সিদেদ ওইখিবা টিমিয়া বাবোস অমসুং কৃষ্টিনা লাদেনোবিসনা নম্বর ১ সিদেদ চাইজিন টাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমদি জেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভাবু য়াম্না হেনবা মওংদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌখি। অহানবা সেট অদুদা হঙ্গেরি অমসুং ফ্রান্সকী পেয়র অদুনা চাইনিজ টাইপৈ অমদি জেক রিপব্লিক্কী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা



৬-২দা সেট অদু থোইখি।

অনীশুবা সেটতা নম্বর ১ সিদেদ ওইখিবা সৈ সু ৱৈ অমদি বারবোরা ষ্ট্রাইকোভাগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিদবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা টিমিয়া বাবোস অমসুং কৃষ্টিনা লাদেনোবিসনা লাকশিল্লক্তুনা সেট অদু ৬-১দা থোইরগা নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অনীশুবা সেমিফাইনেল মেচতা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবপু সেট ৩-১দা থোইদুনা ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসকা লম্বা তৌনরগনি। থিয়েমনা জ্বেরেবপু ৩-৬, ৬-৪, ৭-৬ (৭-৩), ৭-৬ (৭-৪)দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌখি। মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা বারবোরা ক্রেজিকোভা অমদি নিকোলা মেকতিকনা বেথনি মতেক সেন্স অমসুং জেমি মুরেগা লম্বা তৌনরগনি।

# নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু থোইরবসু মুম্বাই সিটি ৪শুবা থাক্তা লৈরি

Match on 01 Feb. (Sat) 2020
KERALA Vs CHENNAIYIN

মুম্বাই, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): হিরো আই এস এল (ইন্দিয়ন সুপর লীগ) ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মুম্বাই সিটি এফ সীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইরগা মখোয়না হান্না কন্দুনা লৈরিবা থাক ৪গী পোজিসন অদু লেংদনা লৈহনবা ঙমখ্রে।

ঙসি মুম্বাইগী ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ১৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা যুম্বু ওইখিবা মুম্বাই এফ সী অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইদেটকী লম্বা অদু হৌরকপদা য়াম্না মান্নখি।

মেচকী অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্নদুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈরিঙৈ অহানবা হাফ অদুগী অপীবা মতম মিনট ৪৫ শান্নবা লোইশিল্লমদাই ৪৪শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফ সীগী দিএগোনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

নোর্থ ইষ্ট এফ সী মমাঙগী মেচ ১২ শান্নখিবদা শুপ্নগী মেচ অনীখক মায় পাক্লগা ৫ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৬ মায়থীদুনা ৯শুবা থাক্তগী লানখৎপা ঙমদনা লৈরি।

অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল মাংজিল থারবা মুম্বাই সিটি এফ সীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়োক্তা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদবা অমদি নোর্থ ইষ্টকী টিমসু ইক্কেলাইজর ফংখিদবদগী মুম্বাইনা ১-০দা তোইখি।

# মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু সী কে নয়াদু ট্রোফি ২০২০গী মেচ রন ২২১দা থোইখ্রে



দ্রিবুগর, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): মণিপুর ক্রিকেট টিমগী চহী ২৩ মখাগী নুপাগী টিমনা কর্নেল সী কে নয়াদু ট্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা অরুনাচল প্রদেশপু রন ২২১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস মণিপুরগী টিমনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা মণিপুরগী বেটচমেনশিং অদুনা ওভর ৪৪শুরকপদা রন ১৫৮ লৌরগা শান্নরোয়শিং অদু আউট ওইখি। অহানবা ইন্নিংস অদুদা মণিপুরগী ৱাই কমাজিৎনা রন ৭৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মদুগী পাউখুমদা অরুনালচ প্রদেশকী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংসতা মণিপুর টিমগী মায়োক্ল া রন ১১৪ খক লৌবা ঙমখি। হায়রিবা অরুনাচল প্রদেশকী ইন্নিংস অদু ওপনর এস কলরাদা রন ৪৮ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরগা লোইশিনখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী বোল্লর এল কিসননা অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা অরুনাচল প্রদেশগী বেটচমেন ৬ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজনখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা মণিপুরগী মায়কৈদগী পুন্না ৱিকেট ৯ আউট ওইখিবদা রন ২৫৬ লৌখি। মদুদা বিকাসনা রন ৫১ লৌবা ঙমখিবা অদু শীংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

অরুনাচল প্রদেশনা মায় পাক্লনবা রন ৩০০গী টার্গেট লৈখিবা অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু শুপ্নগী রন ৭৯দা লোইশিনখিবদগী মেচ অদু মণিপুরনা রন ২২১দা থোইখি। মণিপুরগী বোল্লর এল কিসননা অনীশুবা ইন্নিংসতা অরুনাচল প্রদেশকী ৱিকেট ৯ লৌরগা পুন্না ৱিকেট ১৫ লৌরগা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইরগা মণিপুর মায় পাকখি।

# নুপীগী ট্রাই সেরিজ ক্রিকেটতা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৫দা থোইখ্রে

কেনবেরা, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ানা যুম্বু ওইরগা ইংলেন্দ য়াওনা ইন্দিয়াগা পুন্না লৈবাক অহুমগী টি-২০ ট্রাই সেরিজগী ঙসি অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৫দা থোইখ্রে।

কেনবেরা সিটিদা লৈবা মানুকা ওভেল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা সেরিজ অসিগী অহানবা মেচ শান্নখি। মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ওভর ২০ শান্নরকপদা বেটচৱিমেন ৭ আউট ওইখিবদা রন ১৪৭খক লৌখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী কেপ্টেন হেদর নাইটনা বোল ৪৪দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৬৭ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি।

মায় পাক্কদবা রন ১৪৮গী টার্গেট অদু ইন্দিয়ানা অপীবা ওভর ২০ লোইরগা বোল ৩ ৱাৎলিঙৈদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৫০ য়ৌদুনা মায় পাকখি। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন হরমনি প্রিট কোরনা আউট ওইদনা বোল ৩৪দা সিক্স ১গা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেচ থা অসিগী ২দা ওষ্ট্রেলিয়গা শান্নগনি।

# ১৩শুবা ইন্টর শওম্বুং ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস): শওম্বুং ষ্টুদেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা চথুরিবা ১৩শুবা ইন্টর শওম্বুং ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমিফাইনেল মেচতা এস কে ৱাই সীনা এস এস ৱাই সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অসি টিম অনীমক্না ফাইনেল য়ৌনবা অকনবা লম্বাগা লোয়ননা শান্নরকপদা অহানবা হাফকী অপীবা মতমদা পাঞ্জল লৈনখিদে। অদুবু অনীশুবা হাফকী ৫০শুবা মিনটতা এস কে ৱাই সীগী শান্নরোয় সোমোকান্তনা পাঞ্জল চন্দুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# পোইন্ট লিদর মোহন বগানন‌া চেন্নাই সিটিবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা মখা তানা লুচিংবা ঙম্লি

Hero I-LEAGUE
Match on 01 Feb (Saturday)
AIZAWL Vs REAL KASHMIR

কোইম্বাটোর, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): হিরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈরিবা কোলকতাগী মোহন বগান এফ সীনা যুম্বু ওইখিবা চেন্নাই সিটি এফ সীবু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা পাঞ্জল ৩-২দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তানা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

মোহন বগান এফ সী হন্দক্তা হিরো আই এস এলগী টিম অমা ওইরিবা এ টি কেগা খুৎয়েক পীনদুনা মথংগী সিজনদা টিম অমত্তা ওইবগী ফিরাল মখাদা শান্নগদৌরিবনি। ঙসিগী মেচ অদুগী মাংওইননা মোহন বগান মেচ ৯দা ৬ মায় পাক্লগা মেচ অনী দ্রো চৎলবা মতুং শুপ্নগী মেচ অমখক মায়থীদুনা পোইন্ট ২০ ফংলগা মাংজিল থাদুনা লৈরম্বনি।



অমরোমদা চেন্নাই সিটি মেচ ৭ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা মেচ ২ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ৮ খক ফংলগা টিম ১১গী লম্বা অসিদা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উখোক্তুনা মেচকী ২৮শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু বি দিয়াৱারানা চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ১ লাম্থোক্ত্রিঙৈদা টিমমেট ফ্রান গোঞ্জলেসনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ২-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা মোহন বগানগী দিয়াৱারানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-০দা মাংজিল থাখিবা অদু মেচকী ৬৫ অমদি ৭০ শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী মায়কৈদগী নাগপন অমদি বালাকৃষ্ণননা পাঞ্জল ২ চন্দুনা ২-৩দা লৈখিবা অদু মখা তাবা মেচ অদুগী লোইশিল্লকপদা অহোংবা লৈখিদবদগী মোহন বগানন‌া মায় পাকখি।

# ন্যু জিলেন্দবু ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ৪শুবা টি-২০ মেচ অদু সুপর ওভরদা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

ৱেলিংটন, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ন্যু জিলেন্দদা লৈরিবা টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা টি-২০ সেরিজগী ৪শুবা মেচতা ইন্দিয়ানা সুপর ওভরদা মায় পাকপা ঙমদুনা হান্না মেচ ৩ মায় পাকপা ঙমখ্রবা মতুং মখা তানা থোইদুনা ৪-০দা মেচ ৫গী সেরিজ অদু য়াম্না হেন্না ফজনা মাংজিল থাখ্রে।

ৱেলিংটন সিটিদা লৈবা স্কাই ষ্টেদিয়মদা যুম্বু ন্যু জিলেন্দনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়ানা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১৬৫ লৌখি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা হান্নগী রিগুলর প্লেয়র খরা পোথাহল্লগা অনৌবা প্লেয়রশিং শরুক য়াহনখি। মদুনা মরম ওইরগা ১২শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা স্কোর বোর্দতা রন ৮৮খক লৈরিঙৈদা বেটচমেন ৬ আউট ওইখি।

ওপনর লোকেস রাহুল বোল ২৬তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৯দা আউট ওইখি। ৬শুবা বেটচমেন মনিস পান্দেনা আউট



ওইদনা বোল ৩৬তা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫০ লৌখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

মায় পাক্লনবা ন্যু জিলেন্দনা রন ১৬৬ লৌগদবা অদু টিম অদুগী ইন্নিংস য়াম্না ফজদুনা অরোইবা ওভরদা রন ৭খক লৌবগী টার্গেট লৈখি। অদুবু ওভর অদুদা ন্যু জিলেন্দগী ৱিকেটয ৪ আউট ওইদুনা ইন্দিয়ানা লৌখিবা রন ১৬৫গা মান্নদুনা টাই তাবদগী সুপর ওভর শান্নখিবনি। সুপর ওভরদা ন্যু জিলেন্দনা রন ১৩ খক লৌখিবা অদু ইন্দিয়ানা বোল ১ ৱাৎলিঙৈদা লাম্থোকপা ঙমদুনা থোইবা ঙমখি।

# ৪শুবা কে এস ও তেংনৌপল স্পোর্ট মীট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস): কে এস ও টেংনৌপল ব্লোক অমসুং ১৩শুবা অসাম রাইফলস অনীনা খুৎশম্নরগা টিম ১৭না শরুক য়াদুনা সেনাম ভিল্লেজগী শান্নবুঙদা চথুরিবা '৪শুবা কে এস ও তেংনৌপল ব্লোক স্পোর্টস মীট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা তেংনৌপল য়ুথ ক্লবনা মোলনোম য়ুথ ক্লব পু পাঞ্জল ২-০দা, এম এ ৱাই য়ু (দি)না চৈহেল্প য়ুথ ক্লব (বি)বু পাঞ্জল ১-০দা, কুরাওপোকপী য়ুথ ক্লবনা চামোল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ২-১দা, ফালবুং য়ুথ ক্লবনা বোইজাং য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৭-২দা থোইখ্রে।